# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 24-11-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য অসিগী মন্ত্রি-এম.এল.এশিংগী য়ুমদা থোমজিনদ্না অমাং অতা থোকহনবদা চেন্নবনি হায়বা মীওই ৭ নৌনা ফাবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা পুলিসনা ফাগৎখিবা মীওই ৪১ শুরে।

২) মহারাষ্ট্রদা বি.জে.পিনা লুচিংবা মহায়ুতি এল্লায়েন্সনা অমসুং ঝারখন্দদা জে.এম.এমনা লুচিংবা ইন্দিয়া ব্লোকনা চাউনা মায় পাক্লে।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১১৬ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিদা শন্দোক্কনি।

------

পুলিস (এল)ঃ জিরিবামদগী মীওই ৬ হাৎখিবগী থৌদোক্তা খোশাওনরবা মীয়ামা রাজ্যগী মন্ত্রি-এম.এল.এশিংগী য়ুমদা থোমজিনদ্না অমাং অতা থোকহনবদা চেন্নবনি হায়বা মীওই ৭ পুলিসনা ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়- ঙরাং পুলিসনা চহি নৌরিবা অঙাং অমা য়াওনা মীওই মরি ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ফাখি। অদুগা থা অসিগী ২২ দনা ককচিংদগী মীওই অহুম ফাগৎপা ঙমখি। হৌজিক ফাওবদা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ফাগৎখিবা মীওই ৪১ শুরে। অমরোমদা, হৌজিক রাজ্য অসিদা থোক্লিবা হরাং অসিগা মরী লৈননা সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

মহারাষ্ট্র ঃ মহারাষ্ট্র বিধান সভা মীখলদা বি.জে.পিনা লুচিংবা মহা য়ুতি এল্লায়েন্সনা চাউনা মায় পাক্লে। থা অসিগী ২০ দা ভোৎ থাদনখিবা সিট ২৮৮ লৈবা রাজ্য বিধান সভা মীখলদা বি.জে.পিনা সিট ১৩২ দা মায় পাক্লে। শিব সেনা সিট ৫৭ তা মায় পাক্লে, এন.সি.পিনা সিট ৪১ দা মায় পাক্লে।

শিব সেনা (উধব বালা সাহেব থাক্রে)না সিট ২০ দা মায় পাক্লে, কংগ্রেসনা সিট ১৬, এন.সি.পি(শরদচন্দ্র পৱার)না সিট ১০ দা মায় পাক্লে। সমাজৱাদি পার্তিনা সিট ২, জে.এস.এসনা সিট ২ দা মায় পাক্লে।

ঝারখন্দ ঃ তাঙ্কক অনি থোকা ভোৎ থাদনখিবা সিট ৮১ লৈবা ঝারখন্দ বিধান সভা মীখলদনা ঝারখন্দ মুক্তি মোর্চা (জে.এম.এম)না সিট ৩৪ দা মায় পাক্লে। কংগ্রেসনা সিট ১৬ দা মায় পাক্লে। আর.জি.দিনা সিট ৪ দা মায় পাক্লে। সি.পি.আই (মাক্সিস)না সিট ২ দা মায় পাক্লে। বি.জে.পিনা সিট ২১ দা মায় পাক্লে।

রাজ্য অসিদা ইন্দিয়া ব্লোকনা চাউনা মায় পাকপগা লোয়ননা অনৌবা সরকার অমা শেমবগী মীফম অমা ঙসি রাঞ্চিদা পাঙথোক্লগনি।

সিএম (এল)ঃ মহারাষ্ট্রদা বি.জে.পিনা লুচিংবা মহা য়ুতি চুংশিন্নবা কাংবুনা মীখলদা চাউনা মায় পাক্লকপদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ অমসুং পৱার মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎনা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেন্না হায়- ভারতনা বিক্সিত ভারত ওইনবা চংশিল্লিবা খোঙজংদা মহারাষ্ট্রদা মহা য়ুতিনা চাউনা মায় পাক্লকপা অসিনা অচৌবা মতেং ওইরগনি। মীখল অসিদা মায়পাক্লকপদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, বি.জে.পি নেসনেল প্রসিদেন্ট জে.পি. নদ্দা, মায় পাক্লবা মীরেপশিং, দলগী করিয়াকার্তাশিং অমদি দল অসিবু শৌগৎপা মীওইশিংগী মফমদা থাগৎপা ফোংদোরক্লি। ঝারখন্দদা বি.জে.পিবু শৌগৎপগীদমক্তসু থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

কার্ফিয়ু (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট , থৌবাল, বিষ্ণপুর অমসুং ককচিংদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি। মসিগী মতাংদা জিলাশিং অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা চেরোলশিং থোকখ্রে।

বিএসএফ (এল)ঃ বি.এস.এফ সবসিদিয়ারি ট্রেনিং স্কুল, চুরাচান্দপুরদা নৌনা ট্রেন তৌরবা কন্সটেবল ৩২১ গী এটেষ্টেসন পেরেদ ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা বি.এস.এফ ফ্রন্তিয়ার এম এন্দ সিগী আই.জি- শঞ্জয় কুমার মিশ্রানা পেরেদ অদুগী সলামি ওকখি।

সিআরপিএফ (এল)ঃ গ্রুপ সেন্তর সি.আর.পি.এফ লাংজিং ইম্ফালনা স্বাচ ভারত মিসনগী মতাংদা মীয়াম্বু হেন্না গ্যান তাহন্নবা থৌরম অমা ঙরাং দগী হৌখ্রে। এ গেম চেঞ্জর ইন কেম্পস হেলথ এন্দ সেনিতেসন হায়বসিদা তোঙান তোঙানবা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা গ্রুপ সেন্তরগী অকোইবা মফমশিংদা লু-নান্না থমবা দসবিন থমখি।

এআর (এল)ঃ লমদম অসিগী মীয়ামদা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা মপুং ফানা ফংহন্নবগী পান্দমদা অসাম রাইফলসনা ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসনগা খুৎশমদুনা লিলোংদা মেদিকেল কেম্প অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা অঙাং য়াওনা মীওই লিশিং ১,২০০ রোম লায়েংখি। তঙাইফদবা হিদাক লাংথকশিংসু য়েন্থোকখি। লিলোং য়ুনাইতে ক্লবস এসোসিয়েসনগী মতেংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা স্পেসিয়েলিষ্ট ডোক্তর ১৮ না শরুক য়াখি।

সেমিনার (এল)ঃ মুম্বাইদা লৈবা নেসনেল সাইন্স সেন্তরদা হয়েং পাঙথোক্কদবা নেসনেল লেবেল ষ্টুদেন্টস সাইন্স সেমিনারদা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা ককচিংগী পদ্মা রতা ইংলিস স্কুলদা ক্লাস টেন তম্লিবী শুরতি ৱাংজমনা শরুক য়াগদৌরি। সেমিনার অসিদা ভারতকী তোঙান তোঙানবা রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন

তেরিতোরিশিংদগী খনগৎলবা মহৈরোইশিনা শরুক য়াগনি। সেমনার অসিদা অর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স ঐখোয়গী তুংগী লম্বী য়াৎপগী মতাংদা খন্নগনি হায়রি।

মঙ্কা (এল)ঃ গুজরাতকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী মণিপুরগী জষ্টিস এন্দ পিছকী খোল্লাউ হায়বা ঈশৈ শৈহেক কয়াগা লোয়ননা পাঙথোক্তুনা থৌরম ঙসি কটস লমদমগী বুজ সিতিদা লোইশিল্লগনি। মণিপুরগী শকাইরবী ফোল্ক সিঙ্গর মঙ্কা ময়াংলম্বম, মঙাংসনা মার্জিং লাইহুই ইম্ফাল অমসুং ঝারখন্দগী ফোল্ক সিঙ্গর মেঘা দালটননা গুজরাতকী বিশ্বগ্রামা গ্রুপকা লোয়ননা গুজরাতকী মফম কয়াদা কোল ওফ মণিপুর হায়বা ঈশৈগী থৌরমশিং পাঙথোক্লি।

এময়ু (এল)ঃ মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিনা মরম ওইদুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিদা পাঙথোক্কদবা স্বায়ম-এন.পি-টেল এৱারনেস ৱার্কসোপ য়ৈথোক্লে। মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিনা মরম ওইদুনা এন.পি-টেল, আই.আই.টি মদ্রাজনা হায়জরকপগী মতুংইন্না হয়েং পাঙথোক্কদবা ৱার্কসোপ অসি য়ৈথোকপনি হায়না য়ু.জি.সি স্বায়মগী কোওর্দিনেটর (নোদেল) ওফিসারগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

রাজ ভবন (এল) ঃ শিক্ষা বিকাশ সমিতি মণিপুরগী মীহুৎ কাংবু অমনা ঙরাং রাজ ভবনদা রাজ্যপালগা উন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মহৈরোইশিংগী হকশেল অমসুং শিক্ষাগী মতাংদা মখোয়না লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা পাউদমখি। শিক্ষা বিকাশ সমিতিনা হৌজিক ফাওবদা মহৈরোই ৭০ হেন্না লৈনবা অমসুং মহৈ মশিং তম্বগী খুদোংচাবা পীখ্রে হায়না রাজ্যপালদা পাউদমখি।

মৈ (এল)ঃ ইম্ফাল পৱার সব ষ্টেসনগী থারতিন বাই এলভেন কে.ভিনা কোনবা এলভেন কে.ভি. সেক্রেটরিয়েট ফিদরনা কোনবা মফমশিংদা ঙসি অয়ুক পুং ৮ মখায়দগী অয়ুক পুং ১০ মখায় ফাওবা জঙ্গল কট্টিং অমসুং অতৈ শেমজিন শাজিনগদবনা মরম ওইদুনা মৈ ফংলোই।

দিপ্যুতি জেনরেল মেনেজরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মসিনা মরম ওইদুনা শঞ্জেনথোংদগীনা পেলেস কম্পাউন্দ ফাওবগী মনুংদা লৈবা-১৪ শুবা ক্বাটর কমপেক্স (শঞ্জেনথোং), ওল ইন্দিয়া রেদিও, পেলেস কম্পাউন্দ মনুং, থঙ্গাপাৎ মপাননচিংবা মফমশিংদা মৈ ফংলোই।

মনকি বাট ান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১১৬ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি।

প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা মদুগী মনিপুরি ৱাহন্থোক অকাশবানি ইম্ফালদা শন্দোক্তুনা তাহনগনি। মসি নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেগ লোলশিংদনা মথং নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

মীফম ঃ সংসদকী নীংথম মীফমগী মাংওইননা ঙসি সরকারনা রাজনীতি দলশিংগী মীফম অমা কৌরি।

মীফম অসি ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোক্কনি। মীফম অদুদা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী মীফম নিংথিনা চথবা য়ানবা রাজনীতি দলশিংগী মতেং নিরবা য়াই। সংসদকী নীংথম মীফম হয়েংদগী হৌরগা মথং থাগী ২০ ফাওবা চথগনি। অদুমওইনমক, লৈবাকপোকপা নুমিৎতা সংবিধানগী নুমিৎ লৈবা মরমনা সিত্তিং লৈরোই।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সেক্যুরিতি এদভাইজর কুলদিপ অমসুং দি.জি.পিনা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর ফেন্সিংগী ফিভম য়েংশিনখিবা, কাংপোকপীদা পোপি য়ান্থৎপা চংলুবা পুলিসকা কুকি মিলিটেন্টশিংগা মুকখিবা অমদি কুকি এম.এল.এ ১০ গী ৱাফম থাদৌ ইনপীনা য়ানিংদবা ফোংদোরকপগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

সেক্যুরিতি এদভাইজর অমসুং দি.জি.পিনা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর ফেন্সিংগী ফিভম য়েংশিনখিবগী পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, মণিপুর নিউজ অমদি পিপলস ক্রোনিকলদা অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসনদা কাংপোকপীদা পোপি য়ান্থৎপা চৎলুবশিং তাল্লকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা অমসুং অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি মণিপুর নিউজ, মণিপুর মেল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সনালৈবাক, পিপলস ক্রোনিকল অমসুং মোর্নিং বেলগী অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পাউ অসি সনালৈবাক্তা নাগা নমা তাবা মফমদা কুকিশিংনা পোপি থাজিল্লক্লে, নুমিৎ মরিনিগী মনুংদা এক্সন লৌগদবনি হায়বা ভিলেজ ওথোরিতিগী ৱাফম হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মোর্নিং বেলদা- এদ্দিসনেল এস.পি. কাংপোকপী অমদি মখানগী খুঙ্গাশিং পোপি থারিবা কুকিশিংনা তাল্লকখ্রে, সরকারনা নুমিৎ মরিনিগী মনুংদা এক্সন লৌখৎপীয়ু হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- প্রসিদেন্ট রুল অমদি সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন পীবনা সোলুসন ওইগনি হায়বা মিজোরমগী এম.পি বনলাল বেনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পোকফম পাউচেদা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নন-নাগা এম.এল.এ ১০ গী ষ্টেটমেন্ট অদু সুপুরমেসিগী থৌওংনি হায়না থাদৌ ইনপীনা ফোংদোকরকপগী পাউ নহারোলগী থৌদাংদা অনিসুবা হেদলাইন

তৌরি। পাউ অসি ঈচেল এক্সপ্রেসতা- মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা ত্রাইবেল এম.এল.এ ১০ না সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন দিমান্দ তৌবগী ৱাহন্থোক লৈতে হায়বা থাদৌ ইনপীগী ৱাফম অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি অয়ান্বা পাউচেশিংদা অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা মহারাষ্ট্রদা এন.দি.এনা, ঝারখন্দদনা ইন্দিয়া ব্লোকনা লৈঙাক শেম্লগনি, সি.এম. খনবগী পোরম য়াৎপা হৌখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। মীখলগী পাউ অসি সনালৈবাক, মণিপুর নিউজ অমদি পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরি।

ইম্ফাল সিতিনা নেসনেল ইয়ার ক্বালিতি রেঙ্কিংদা মকোক্তা লৈরে হায়বা ষ্টদি রিপোর্ট অমা ঈচেল এক্সপ্রেসদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা- উরিপোক অপুনবা লুপনা পাউলেনলাল হাওকিপগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎপীয়ু হায়না ৱাকৎখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতসু অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরি।

হুইয়েন লানপাউদা- ইং তপ্পা হঞ্জিল্লক্লে, ষ্টেট অমসুং সেন্ট্রেল ফোর্সনা চেকশিন্না ঙাক্লগা থমাপোকপীগী লৌমীশিং লৌ খাউরে, য়েরে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

জিরিবামগী মীহাৎ এস.পি. অমনা লুচিংবা এন.আই.এগী টিম অমনা অঙাং অহুম, নুপী অহুম ফাদুনা পুখিবা মফম য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

------